**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচন্দনা হায়রি- নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতি শেমগৎ শাগৎপগী থবক চহি অসিগী দিসেম্বর ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি।

২) রাজ্যগী ভেটরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসেস দাইরেক্তোরেটনা হায়রি- রাজ্য অসিদা য়ুমদা য়োকপা য়েন-ঙানুশিংদা রানিখেৎ লায়না শন্দোরকপা থিংনবা বিভাগ অসিনা য়ামা কুপা য়েংশিল্লি

৩) মনিপুরগী ইলেক্তোরেল রোলগী স্পিসিএল ইনটেন্সিভ রিভিজন ফেজ থ্রিগী থবক জিলা জিলাশিংদা পাখৎপা হৌনখ্রে।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নেদরলেন্দসকী নিংথৌ অমদি মহারাণি উন্নদুনা লৈবাকনিগী মরী ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

অমসুং

৫) নিট (য়ু.জি) পরিক্ষাগী ৱাহং চে লিক ওইহনবদা চেন্নবনি হায়বা মরুওইবা ওজা নুপী অমা সি.বি.আইনা ফারে।

------

সিএম (এল) ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কৌত্রুক্তা শেমগৎলিবা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতিগী ফিভম ঙসি মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচন্দনা লৈবাক অসিগী অহানবা লেমজনিঙাই ওইৱবা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিতি রাজ্য অসিদা শেমগৎ শাগৎপগীদমক প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিবু থাগৎপা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- য়ুনিভর্সিতি অসি শেমগৎ শাগৎপগী থবক চহি অসিগী দিসেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি। ওফিসিয়েলশিংনা থল্লকপা ৱাফমশিং তারদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- য়ুনিভর্সিতি অসি তাগদবা লম্বী শেম্বগী থবক মথং চয়োলদগী হৌরগনি। ঈশিংগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা বোর ৱেল ৬ হুৎননবা হোৎনরি। লোয়ননা শেমগৎ শাগৎপগী থবক অসি নিংথিনা খুমাং য়াংশিন্না থবক পায়খৎপা ঙমনবা সেক্যুরিতি মতিক চাবা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং থল্লগনি।

ওফিসিয়েলশিং য়াওবা মীফম অমা য়ুনিভর্সিতি অসিগী একাদমিক বিল্ডিংদা মুখ্য মন্ত্রিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখি। মদুদা নেসনেল বিল্ডিং কন্সটক্সন কোর্পোরেসন লিমিতেদকী এসিষ্টেন্ট জেনেরেল মেনেজর অনিরবান রোইনা মখোয়না হৌজিক পায়খৎলিবা য়ুনিভর্সিতি শেমগৎ শাগৎপগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা মরিক চুমা পাউদমখি।

মীফম অদুদা এম.এল.এশিং- হৈখাম দিংগো, তোংব্রম রোবিন্দ্রো, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ময়াংলম্বম রাজকুমারসু শরুক য়াখি।

য়ুনিভর্সিতিগী ফিভম য়েংশিল্লুরবা মতুংদা মুখ্য মন্ত্রিনা কৌক্রুব্কী মীয়ামগসু উন্নখি। মীয়ামা হৌজিক থেংনরিবা অৱাবশিং কোকহন্নবা সরকারগী মাইকৈদগী পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎকনি হায়না থাজবা পীখি।

দেঙ্গি (এল)ঃ লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙসি জাতিগী দেঙ্গি নুমিৎ পাঙথোক্লি। কুমশি নুমিৎ পালন অসিগী হীরমদি- দেঙ্গি লায়নদগী ঙাকথোকবা মীয়াম পুন্না শরুক য়ামিন্নবা হায়বসিনি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী দাইরেক্তর ডাঃ নিংঙোম্বম হেমন্তাকুমারনা হায়- কাঙনা শন্দোকপা দেঙ্গি লায়না অসি কালেন থা, নোংজ্থা চংলকপা মতমদা শন্দোকপগী চাং ৱাংই। লায়না অসিদগী ঙাকথোকবা মীয়ামা ইশা ইশাগী য়ুমশিংদা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপগী

তঙাইফদবা লৈ।

ভেটরিনারি (এল)ঃ রাজ্যগী ভেটরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সার্ভিসেস দাইরেক্তোরেটনা হায়রি- রাজ্য অসিগী মফম খরদা য়ুমদা য়োকপা য়েন-ঙানুশিংদা চিংননিঙাই ওইবা রানিখেৎ লায়না শন্দোকপগী রিপোর্ট ফংলে। লায়না অসি থিংননবা বিভাগ অসিনা য়ামা কুপা য়েংশিল্লি।

ভেটরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি বিভাগকী দাইরেক্তর এল.অরুনকুমার সিংহনা চেরোল অমদা হায়- রানিখেৎ হায়রিবা লায়না অসি য়ুমদা য়োকপা য়েন ঙানুশিংদা নাগনবা য়ামা লৌনগনবা লায়না অমনি। পোলটরি ফারমরশিংনা অকিবা পোকপীদনবা আপীল তৌদুনা য়ুমদা য়োকপা য়েন ঙানুশিংদা মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা নারকপা অমদি খুদক্তা শিবা থোক্লবদি মনাক নকপা ভেটরিনারি হোস্পিতালশিংদা পাউ পীবীনবা অমদি টোল ফ্রি নম্বর **1962** দা ফোন তৌরকবা হায়রি।

রোল (এল)ঃ ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা মনিপুরগী ইলেক্তোরেল রোলগী স্পিসিএল ইনটেন্সিভ রিভিজন ফেজ থ্রিগী মতম লাউথোকখিবগা লোয়ননা জিলা জিলাশিংদা মসিগা মরী লৈননা থবক পায়খৎপা হৌনখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট, নোনে, থৌবাল, ফেরজোলগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারশিংনা জিলাশিং অসিদা থা অসিগী ২০ দগী হৌদুনা স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজনগা মরী লৈননা থবকশিং পায়খৎনবা ঙসি চেরোলশিং থোকখ্রে।

থা অসিগী ২০ দগী ২৯ ফাওবা ত্রেন্নিংশিং পাঙথোকপা য়াওনা মসিগীদমক শেম শাগনি। থা অসিগী ৩০ দগী মথং থাগী ২৮ ফাওবগী মনুংদা বি.এল.ওশিংনা য়ুমথোং য়ুমথোং চৎকনি। মথং থাগী ২৮ ফাওবগী মনুংদা পোল্লিং ষ্টেসনশিং রেস্নেলাইজেসনগী থবক লোয়শিনগনি। জ়লাই তাং ৫ দগী ওগষ্ট তাং ৪ ফাওবগী মনুংদা মীয়ামগী ব্রাকৎশিং তাগনি।

দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোলনা জ়লাই মঙাদা ফোংলগা ফাইনেল ইলেক্তোরেল

রোলনা সেপ্তেম্বর তরুক্তা ফোংগনি।

ক্ষেত্রিগাউ (এল)ঃ ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী মনুং চন্না ইরিল অমসুং কোংবা তুরেল অনিগী তোর্বান থোনবগী থবক চখরিবা অসিদা পুকমকা মতেং পীবীয়ু হায়না এদমিনিষ্ট্রেতিভ কমিতি ক্ষেত্রিগাউ পার্ট ৱানগী চেয়ারপার্সন এম.দি. রাফি খাননা আপীল তৌরক্লি।

ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী এদমিনিষ্ট্রেতিভ কমিতিগী চেয়ারপার্সনশিং অমসুং ক্লব ৭ কী মীহুৎশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এম.দি. রাফি খান্না হায়- ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্র অসি মমাং চহিদা ইরিল অমদি কোংবা তুরেল তোর্বান কায়দুনা থংনা থংননা ঈচাউগী অৱাবা অহুম্লক মায়োকখিবা কেন্দ্রনি। মরম অদুনা নোংজ্ থা লাক্ত্রিঙৈদা তোর্বানশিং অসি শেমজিন্নবা এম.এল.এগী মখাদা লৈবাক থোনবগী থবক অসি পায়খৎপনি। মরম অসিনা মীয়ামগী অৱাবা কোকবা তোর্বান থোনবগী থবক অসিদা পুমমকা অয়েৎপা পীবীদনবা অমদি থবক অসিদা মতেং পাংবীনবা হায়না আপীল তৌখি।

কিদনেব (এল)ঃ ফাজিনদুনা থল্লিবা নাগাগী মীওই ৬ অথুবা মতমদা থাদোরক্তুনা ইমুং মনুংদা খুৎশিন্নবীনবা জোইন্ট ত্রাইব কাউন্সিলনা আপীল তৌরক্লি।

কাউন্সিল অসিগী জেনেরেল সেক্রেতরি ডাঃ আকু নিউমেনা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা হায়- থা অসিগী ১৩ দা নাগাগী মীওই ২০ শকখঙদবশিংনা ফাজিনখি। মদুগী মনুংদা মীওই ১৪ থাদোরক্লগা মীওই ৬ থাদোক্তনা লৈরি। মখোয়বু তেক্ত কায়দনা থাদোকবা সরকারনা থবক লৌখৎপীয়ু হায়না আপীল তৌরি।

উখ্রুল (এল) ঃ দিস্কসন ফোরম উখ্রুল অমদি ওল হুনফুন তাং ওর্গনাইজেসন্না শিন্দুনা লিগেল এৱারনেস ওন এন্তি তেরোরিজম হায়বা হিরমদা ঙসি নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ অমা উখ্রুলদা পাঙথোকখ্রে। সেনিয়র এদভোকেট দেসিয়েল

রামসাং অমদি হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্ট হুংয়ো হুনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

চান্দেল (এল) ঃ রাইজিং এন্দ এসিলরেতিং এম.এস.এম.ই পার্ফোমেন্স (রেম্প)কী মখাদা নুমিৎ নিনি চথরকপা ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ নোলেজ প্রোগ্রাম অমা ঙসি চান্দেল জিলাগী সালেমথার ভিলেজ কম্যুনিতি হোলদা লোইশিনখ্রে। প্রোগ্রাম অসি মণিপুর টেকোলোজি ইনোভেসন হবনা শিনবনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা দি.আই.সি চান্দেলগী জেনেরেল মেনেজর টি.ঐচ. বিজোয় সিংহ, দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিস চান্দেলগী ব্লোক ইনচার্জ চুমসা ক্লিমেন ঙোরৌ শরুক য়াখি।

কলেজ (এল) ঃ ধনামঞ্জুরি কলেজ ওফ টিচর ইজ্কেসন ইম্ফালনা চহি খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা এন্যুএল কম্যুনিতি কন্টেক্ট এন্দ সার্ভিস প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ঙসি শুমাং কুম্মৈ- ইন্তিগ্রেতিং ইন্দিজিনস থিয়েটর এজ এ পেদাগোগিকেল টুল হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা সেন্সিতাইজেসন ৱার্কসোপ অমা কলেজ অসিগী জ্বিলি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ত্রেন্নিং(এল) ঃ রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগনা শিন্দুনা ঙসি লৌমীশিংনা হার চাং নাইনা করমা শিজিন্নগদগে হায়বসিগী মতাংদা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী সঞ্জেনথোংদা লৈবা বিভাগ অসিগী ফারমস ত্রেন্নিং হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী মরুওইবা পান্দমদি- লৌমীশিংদা লৈবাক লৈহাও নীংথিজনা চাংয়েং তৌদুনা হার চাং নাইনা শিজিন্নদুনা মহৈ মরোংশিং হেন্না পুথোকবা অমদি অফবা লৈহাও থমবা হোৎনবগী মতাংদা হেন্না খঙহন্নবনি। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদ্দা তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা লৌমীশিংনা শরুক য়াখি। মদুদা লম অসিদা খঙ হৈরবা মীওইশিংনা হার চাং নাইনা শিজিন্নবা অমসুং লৈবাক লৈহাও মাংহন্দনা থমবগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি।

চাইল্ড (এল) ঃ চাইল্ড প্রোটেক্সন সিষ্টেম এন্দ এসেস টু জষ্টিস ইন-মনিপুর হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙসি পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা কংলৈ কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

যুথস ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটসনা শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অসিদা চাইল্ড ৱেলফিয়ারগী মতাংদা রিছোর্স পার্সনশিংনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

এআর (এল) ঃ সংসকতা লৈবা অসাম রাইফলসনা কামজোং জিলাগী গমনোম ভিলেজদা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা শোক্লবা মীওই অনিগী পুন্সি কনখ্রে। থৌদোক অদু ঙসি পোৎ চৈ পুরকপা শক্তিমান গাড়ি অমা গমনোম খুলগী লম্বীদা গোলাই লৈরকপদা শোইবদগী লোকখাদা ওন্থবদগী থোকখিবনি। থৌদোক অদুগী পাউ ফংবদগী অসাম রাইফলসকী কাংবু অমা মফম অদুদা চংশিন্দুনা শোক্লবা মীওই অনি অদু কনবা ঙমখিবনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নেদরলেন্দসকী নিংথৌ ৱিল্লিয়ম আলেকজেন্দর অমদি মহারাণি মেক্সিমাগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। উন্নবা অদুদা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

মদুগী মমাংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নেদরলেন্দসকী হেগতা লৈবা ভারত মচাশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। মফম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- ভারত মচাশিংনা লৈবাক অদুদা লৈদুনা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা কয়া উৎথোক্লুনা থবক তৌরিবা অদুদা চাডথোকচবা ফাওই। মফম অদুদা লৈরিবা ভারত মচাশিংগী থম্মোয় মরৈবাক নুংশিবগী ইহুল কয়া ফাওরিবা অদুবুসু মহাকা থাগৎপা ফোংদোকখি।

শ্রী মোদিনা নেদরলেন্দসকী প্রধান মন্ত্রি রোব জেতনগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা মরীগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি। উন্নবা অদুদা হন্দিয়া-যুরোপ ফ্রি- ত্রেদ এগ্রিমেন্টকী ৱাফম য়াওনা ভারত অমসুং যুরোপিয়ান যুনিয়নগী মরক্তা লৈনবা মরীশিংগী মতাংদা খন্নগনি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ মঙানিগী নেদরলেন্দস, স্বিদেন, নোরৱে, ইটলি অমসুং য়ুনাইতেদ আরব ইন্মিরেন্টস খোঙচৎতা ঙরাং নুমিদাং নেদরলেন্দসতা থুংখিবনি।

নিট ঃ নিট (য়ু.জি) পরিক্ষাগী বাইওলোজি সবজেক্টকী ৱাহং চে লিক ওইহনবদা চেন্নবনি হায়বা মরুওইবা ওজা নুপী অমা সি.বি.আইনা ফারে। ফারবা মীওই অদু পুনেদা বোতনিগী সবজেক্টকী ওজা ওইবী মনিশা গুরুনাথ মনদারে কৌবা মীওই অমনি। সি.বি.আইনা হায়- ওজা নুপী অসি হন্দক পাঙথোকখিবা নিট (য়ু.জি) পরিক্ষাগী থবক থৌরমশিংদা মপুং ফানা শরুক য়াখিবা অমসুং নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিনা এক্সপার্ট অমা ওইনা খনখিবা মীওইনি।

হৌজিক ফাওবদা নিট পরিক্ষাগী ৱাহং চে লিক ওইহনবদা চেন্নবা মীওই ৯ দিল্লি, জয়পুর, গুরুগ্রাম, নাসিক, পুনে অমসুং আলিয়ানগরদগী ফারে। মসিগী মনুংদা মীওই ৫ কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা পুলিস কষ্টদিদা মখা তাবা ৱাহং পাউহং তৌনবা রিমান্দ লৌথখ্রে। ঙরাং ফাখিবা চেন্নবা মীওই অনি অমদি পুনেগী কোর্ট অমদা পুথোকখি অমসুং ত্রাঞ্জিৎ রিমান্দ লৌরবা মতুংদা দিল্লিদা পুখ্রে। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা সি.বি.আইনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ৬ তা থিবা হুন্বগী থবক চথখি অমসুং চে চাং, লেপটোপ, বেঙ্ক ষ্টেটমেন্ট অমসুং মোবাইল ফোন কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

ইরাক ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনাআলি ফালি কাদিম অল জাইদিনা ইরাক্কী অনৌনা প্রধান মন্ত্রি ওইরকপদা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রি হায়- ইরাক অমদি ভারত অনিগী মতম শাংনা লৈরক্লবা লৈবাক অনিগী মরী আলি ফালি কাদিম অল জাইদিনা প্রধান মন্ত্রি ওহরকপদা মুক্কা হেন্না চেৎশিনহল্লগনি।

সিজ ফয়ার ঃ ইজরেল অমদি লেবানন্না মখা তানা নুমিৎ ৪৫ নি লান তৌবা লেপনবা য়ান্নখ্রে।

য়ু.এস. ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাংলোই তোমি পিগোটনা হায়- এপ্রিল ১৬ তা নোংমৈ কাপবা লেপবগী য়ান্নখিবা অদু মখা তানা নুমিৎ ৪৫ নি অমগা অমুক শাংদোকখিবনি। সিজ ফয়ার অসি আমেরিকানা ইজরেল অমদি লেবাননগী মীহুৎশিংগা লৈবাক অদুদা উন্নদুনা নুমিৎ নিনি চুপা ৱারী শান্নরবা মতুংদা য়ান্নখিবনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট ঃ  অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. অন্দর ফিফতিন গার্লস ৱান দে ট্রোফি-২০২৫-২৬ কী ঙসি থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদ শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা অক্সদো খাঙবোকা সেদো থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে ।

সেদোক গ্রাউন্দ কোংবা ধোবী লম্পাক্তা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা- পি.টি.আর.সি পাৎশোইনা থাউ থাংমৈবন্দবু রন ১১ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ  মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. বোইজ অন্দর ফোরটিন ৱান দে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুরদা লৈবা পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা- পি.টি.আর.সি পাৎশোইনা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্ পার্ট টু পেচু লম্পাকপু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে।

লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা ট্রাউ ক্বাকৈথেলনা সি.ৱাই.এস.এ খাঙবোকপু ৱিকেট ৫ দা থোইখি।

লমশাংগী তাউথোংদা লৈবা খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতনা- য়াল থৌবাল লৈশাংথেমনা থাউ থাংমৈবন্দবু রন ৫১ দা থোইখি।

মোদেল হয়ার সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা এস.দি.ও কৈরাও মকতিংনা ই.এস.য়ু ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দবু রন ১০৭ তা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ  ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না শিনদুনা

লমলোং থোঙখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা চথুরিবা ১৬ শুবা অন্ফা সেনিয়ার ৱিমেন্স ফুটবোল লিগ ২০২৬-২৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-কাংচুপ রোড য়ং ফিজিকেল এন্দ স্পোর্টস এসোসিয়েসন (ক্রিপসা)না আই.সি.এস.এ ইরেংবমবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ ক্ষেত্রি লৈকাই রাইজিং ক্লব-থৌবালনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথুরকপা অহানবা কে.আর.সি. ত্রোফি ২০২৬ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টোনি এফ.সিনা নানা স্পোর্টস একাদমিবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এস.আই.সি সিঙ্গানা ইমা ৱাংগোইবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ নোংচুপ কামেং য়ুথ জেনরেসন ক্লবনা শিনবা ১৩ শুবা সম্মরস স্পোর্টস মিট ২০২৬ কী ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- লোইতাং অপুনবনা অলৱেজ ফ্রেন্দ ইম্ফালবু পাঞ্জল ৪-০ দা, গ্রিনলেন্দ পোৎশংবমনা খুরখুল এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা, অদুগা এ.এল.এম.ৱাই.এ অৱাং লৈকিনথবীনা লম্বাল এফ.সিবু পাঞ্জল ৬-৩ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেটঃ ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লিগ ক্রিকেটতা ঙসি কোলকাতাগী ইদেন গার্দেনদা কোলকাতা নাইট রাইদরসকা গুজরাট তাইতান্সকা হৌজিক শান্নরি।

------